জষ্টিস নোবিননা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী ফ্রী এন্দ লিগেল এইদ লমথাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস):

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা), ইম্ফালগী এগজিক্যুটিভ চ্যেরমেনসু ওইরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিননা মসলসানা মীয়ামদা লিগেল এৱ্যের্নেস পীনবগীদমক চহী কয়াগী মমাঙদগী চত্থরল্লিবা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংগী মনুং চন্না 'হোর্দিংস ওন ফ্রী এন্দ কম্পিটেন্ট লিগেল এইদ' হায়বগী খূত্থাংদা মাস লিগেল এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন অমা ফ্লেগ ওফ তৌখ্রে।

ঙসি ইম্ফালদা লৈবা মসলসাগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা ফর্ষ্ট ত্রেক কোর্ট (ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন), মণিপুরগী এদিসনেল সেসন্স জজ ওজেস মুতুম, মসলসাগী দেপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরি সোরোকখাইবম সদানন্দসু শরুক য়াখি।

মসলসাগী এগজিক্যুটিভ চ্যেরমেনসু ওইরিবা জষ্টিস কে ঐচ নোবিননা মাস লিগেল এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন অসিবু হৌদোক্লদুনা লমথাবগী থৌরম অসিদা মসলসাগী দেপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরি এস সদানন্দনা থৌরম অসিগী ৱাহৌদোক্কী ৱারোলশিং ফোঙদোকখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী ভিলেজ লেভেলদা লিগেল এইদ ক্লিনিক (এল এ সী) ২৫ হাংদোক্লবগী প্রোজেক্টকী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসিগী মনুংদা হাংদোক্লিবা এল এ সীশিং অসিগী এক্টিভিটি অমদি মসিনা মায় পাক্লা লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা প্রোজেক্ট অসিদগী ফংলকপা কান্নবশিংগী মতাংদসু ফোঙদোকখি।

হোর্দিংস ওন ফ্রী এন্দ কম্পিটেন্ট লিগেল এইদকী খূত্থাংদা মাস লিগেল এৱ্যের্নেস কেম্প অসিবু লমথাখিবা জষ্টিস কে ঐচ নোবিননা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহীশিংদা তোঙান তোঙানবা পাম্বেশিং শীজিন্নদুনা লিগেল এৱ্যের্নেস পীননবা মসলসানা হোৎনদুনা লাক্লি। মণিপুরগী চাংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা ফুরুপশিংদা লিগেল এম্পৱার্দ পীনবগীদমক নোর্থ ইষ্ট এন্দ জম্মু কাশ্মীর প্রোজেক্টকী এসেস টু জষ্টিসকী মখাদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা গর্ভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসকী দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিসকা খূৎশম্নদুনা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎতুনা লাক্লি হায়খি। কেম্প্যেন অসিগী পান্দমদি ফুরুপ খুদিংমক্কী সেক্সন পূম্নমক্কী মীয়ামদা পার্মিনেন্ট এৱ্যের্নেস ষ্ট্রকচর খক্তগী খূত্থাংদা মরু ওইবা মফমশিং অমসুং ষ্টেটকী হায়ৱেশিংদা লিগেল এৱ্যের্নেস পীবনি হায়খি। ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না ঙসিগী মাস লিগেল এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন অসিবু লমথাদুনা হৌদোকখি।

পনবা য়াবদি, হায়রিবা লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসি মসলসানা এ টু জে, নোর্থ ইষ্ট এন্দ জম্মু কাশ্মীর, দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিস (মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিস), গর্ভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা খূৎশম্নদুনা শীনবনি।

'মণিপুরীশিংগী আইদেন্টিটি অমসুং কলচর মাঙহনবগী থৌওংনি'

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস) :

হিজম অঙাংহলনা ইরম্বা 'খম্বা থোইবী' শৈরেংগী শরুক খরদা খম্বা অসি কৃষ্ণনা শাইওল্লকপনি অদুগা খম্বা থোইবীগী ৱারী অসি কৃষ্ণনা বৃন্দাবন্দা শান্নখিবা রাস লীলা অদুগুম্না খম্বনা শান্নবা লীলানি হায়না ইরমখি। মসি লমদম অসিদা তারিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী ওইনা লাইবকথিবনি হায়না ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও-কলচরেল ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট বি কে মোইরাংচানা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কৈশাম্পাৎতা লৈবা ওর্গনাইজেসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা বি কে মোইরাংচানা হায়খি, হিজম অঙাংহলগী মতুংদা থোরকখিবা অইবশিংনা খম্বা থোইবীগা হিন্দু লাইনিংগা মরী অমত্তা লৈনহল্লমদে।

হৌখিবা কুমজা ১৯৬৫ দা খ্বাইরাকপম চাওবনা ইবা খম্বা থোইবীগী ৱারী অমসুং জোধচন্দ্র সনসম্না ইবা কুমজা ২০১৬ তা হিজম অঙাংহলনা ইরম্বা খম্বা থোইবী শৈরেং অদুমক্তদগী ইংলিশতা হন্দোকপা অদুদসু কৃষ্ণনা খম্বা ওইনা শাইওল্লগা রাস লীলা শান্নখি হায়বগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা পন্দে।

অইবা খ্বাইরাকপম চাওবা অমসুং জোধচন্দ্র সনসম্না মণিপুরগী পুৱারীবু মশক খঙবীদুনা হোৎনরক্লিবা অদু ওর্গনাইজেসন অসিনা থাগৎপা ফোঙদোকই। অদুবু লাইবকথিবদি হৌখিবা থা অসিগী ২০ অমদি ২১ দা থাংজিং য়াগৈরেন মরুপ মোইরাং অমদি লোক্তাক খোরজৈ লূপ থাঙ্গ অনীনা সহিত্য একাদমি ন্যু দেল্লী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগা খূৎশম্নরগা মোইরাং আই এন এ হোলদা পাঙথোকখিবা ইপিক ট্রেদিসনেল এন্দ কন্টেম্পররি ইন্দিয়ন লিটরেচর হায়বা থিমদা পাঙথোকপা সেমিনারদা খম্বা থোইবী অমসুং কৃষ্ণগী ৱারীগা অমুক হন্না মরী লৈনহল্লকপগী ৱাফম কয়া রিদরশিংনা ফোঙদোকখিবা অদু লাইবকথিবনি। মসিনা লমদম অসিগী মীয়ামগী অইদেন্টিটি অমসুং কলচরদা চাওনা শাফু পীরক্লি।

মণিপুর লৈঙাক্লসু অসিগুম্বা মীয়াম মরক্তা উংখৎনরকপা য়াবা অমদি লৈবাক ঈরাং থোকহল্লকপা য়াবা ৱাফমশিং মতম চানা য়েংশিন্দুনা অইবশিংনা মানা মানা ইনিংবা পংইদা ইবগী চৎনবী অসি থিংহৌবগী মতম ওইরে হায়না বি কে মোইরাংচানা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

সোইবম সুরচন্দ্র য়াওনা মীওই ২২দা এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস):

মণিপুরগী য়েলহৌ ঙা নিংথিনা পুথোকপগীদমক নেসনল অমদি ষ্টেটকী থাক্তা এৱার্দ কয়া ফংখ্রবা সোইবম সুরচন্দ্র য়াওনা মীওই ২২দা দলিট সাহিত্য একাদেমিনা তোঙান তোঙানবা এৱার্দশিং পীরক্লে।

নেপালগী কাঠমন্দুদা লৈবা য়ুনাইটেদ ৱর্ল্ড ত্রেদ সেন্টরদা পাঙথোকখিবা ১১শুবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স ওফ দলিট সাহিত্য এন্দ কাষ্ট ফ্রী এসিয়ন মীট ২০২১গী থৌরমদা এৱার্দশিং অদু খূৎশিন্নখিবনি।

তোঙান তোঙানবা লম্দা শিংথানীংঙাই ওইবা থবক তৌবগীদক এসিয়ন এক্সিলেন্স এৱার্দতা ডা. য়ুম্নাম সুরজিৎ কুমার মঙাং, ওইনাম জিতেন খুমন, ডা. সাবিত্রি খুমন, ঙাসেপ্পম নিলকান্ত, খাবা পাওনমচা মীতৈ, লৈশাংথেম সনায়াই মৈতৈ, ডা. বি আর অম্বেদকর ইন্টরনেসনল এৱার্দতা খুরাইজম নিলকান্ত, ডা. পুখ্রম্বম ইনাকখুনবী, ইন্টরনেসনল য়ঙষ্টর এৱার্দতা সরুংবম পরাক, ওইনাম প্রেমকুমার, ইন্টরনেসনল লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দতা সোইবম সুরচন্দ্র, বেঞ্জামিন মাহুং, লাইময়ূম রামেশ্বর, ঙাঙোম হেরোজিৎ, রাজকুমারি নয়েনস্না, ইন্টরনেসনল পিছ এৱার্দতা পি এ থেকো, এম এল মার্বলসন, রোজ মাংসি হাওকিপ, ইন্দো নেপাল ফ্রেন্দসিপ ইন্টরনেসনল এৱার্দনা খুন্দ্রাকপম কমলা, ঙাইরাংবম রাজেস, তেলেম অমুদোন এলিয়জ অরুনকুমার অমসুং কে মাতিয়া কোহালিদা খূৎশিন্নরকখিবনি।

থৌরম অদুদা নেপালগী হান্নগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট রিসি বাবু পারিয়ার, য়ুনিফিট দলিট রাইট ফোরম নেপালগী হান্নগী প্রসিদেন্ট লক্সমন বোরদেৱা, ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমি ন্যু দেল্লীগী সেক্রেটরি ৱাই মহেন্দ্রকুমার, সোসল অমসুং কলচরেল এক্টিভিষ্ট ডা. ওইনাম চাওবা অমসুং পদ্মশ্রী এৱার্দি ৱাইখোম গোজেন মীতৈনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস):

সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি (এস টি দি সী), মণিপুর অমসুং এস টি দি সী উরিপোক ৱাঞ্চনা পূন্না শীন্দুনা উরিপোক চক্রিকোন্দা মৈতৈ/মীতৈবু এস টিগী লিষ্টতা চলহন্নবগী রেক্কমেন্দেসন লৈঙাক্লা অথুবদা থাগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ঙসিসু ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এস টি দি সী এমগী কনভিনর এল রোমেসনা হায়খি, এস টি দি সী এমনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈদা ৱারেপ লৌবীহৌ। মৈহৌ লাংপোক য়াওরক্লবা ঙাইবীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

গ্রমালোককী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস):

সাহিত্য একাদেমি ন্যু দেল্লি অমদি উচেকোন নোংপোক গ্রাম পঞ্চায়ট (য়ূ এন জি পি)কা খূৎশম্নদুনা ঙসি নোংপোক পান্থোইবি খুভমদা গ্রমালোককী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না য়ূ এন জি পিগী প্রধান এন জাদুমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ূ এন জি পিগী প্রধান নোংমাইথেম জাদুমনিনা চীফ গেষ্ট অমদি মণিপুরী লেঙ্গৈইজ এদভাইজরি বোর্দকী মেম্বর য়ুম্নাম নন্দিনিনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। সাহিত্য একাদেমি ন্যু দেল্লিগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমার অমদি মেম্বর এন লোকেশ্বরসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মনুংচন্না লৈরিবা নহা অইবা ৬না মখোয়গী ওইবা শৈরেং পাথোকখি। শৈরেং পাথোকখিবা নহাশিং অদুদি টি জানকি; হোমেন্দ্রো ইরেংবা; থোকচোম দেবরাজ; ইমোরজিৎ; তখেল্লম্বম খম্বেপা অমদি মুতুম নিতুনি। থৌরম অদুগী মখা তারকপদা তোঙান-তোঙানবা মণিপুরগী কবি কয়ানা শরুক য়াদুনা শৈরেং শৈদিন্নবা অমসু পাঙথোকখি।

কোর্টনা নন বেলেবল ৱারেন্ট ইস্যু তৌখ্রবা নারেংবম সমরজিৎ দেল্লী...

লামায় ১গী মখা... লৈবাক অসিদসু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মায়োক্তা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলিবনা মপানগী লৈবাক অমদগী লাকখিবা মহাকসু কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌখি। টেষ্ট অদুগী রিজল্ট পুং ৫গী মতুংদা ফংগনি হায়বদগী মহাক্না টেষ্ট অদুগী রিজল্ট ঙাইদুনা মফম অদুদা লৈখি। অদুগা টেষ্টকী রিজল্টতা মহাক নেগেটিভ ওইরে হায়বগী রিপোর্ট ফংবগা পন্থদনা এয়রপোর্টকী ইমিগ্রেসন ওথোরিটিগী অয়াবা লৌরগা মহাক ঙসি অয়ূক্কী পুং ১১.২০ দা দেল্লীদগী ইম্ফাল এয়রপোর্ট তন্না পাইরক্কদবা এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট অমদা তোংনবগীদমক শেম শারিঙৈদা এন আই এগী ওফিসর অমনা লুচিংবা স্পেসল টিম অদুনা মহাকপু এয়রপোর্টতা লৈবা ইমিগ্রেসন ওফিসকা নক্লবা মফম অমদা দিটেন তৌখিবনি।

এন আই এগী ওফিসলশিংগী থৌওংদুদা মহাক্কী মায়কৈদা পাখৎপা নৎত্রগা থুকৎপা অমত্তা উবা ফংখিদে। মদুগী মহুত্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মহাক্কী মথক্তা লৌখৎপা কেস অমা লৈবনি হায়বা ৱাফম মশানা য়াজখি হায়রি।

মফম অদুদগী হৌরদুনা এন আই এগী কাঙবুনা মহাকপু ৱাহং পাউহং চত্থরকখিবগা লোয়ননা ইনবেষ্টিগেসন এজেন্সী অসিনা লৌখৎলিবা কেস অদুগা মরী লৈননা মহাকপু ফোর্মেল ওইনা ফাবগী এরেষ্ট মেমোদা মহাক্না খূৎয়েক পীখি। লোয়ননা এন আই এ ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী কেস অদুগা মরী লৈননা লৌখৎলকপা ফোর্মেলিটি পূম্নমক্তা কো-ওপরেসন পীখি হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা রিপোর্টশিংনা মখা তানা হায়বদা মহাক ঙসি অয়ূক অঙনবদা ফোর্মেল ওইনা ফাবদগী হৌজিক দেল্লীদা লৈবা এন আই এগী হেদ ক্বার্টরগী কষ্টদিদা থল্লি। মহাকপু ত্রাঞ্জিৎ রিমান্দ লৌদুনা ইম্ফালদা পুরক্লবগীদমক হয়েং দেল্লীগী স্পেসল কোর্ট (এন আই এ) দা পুথোক্কনি হায়রি। কোর্ট অদুনা পীরক্কদবা ওর্দরগী মতুংইন্না মহাক ইম্ফালদা পুরক্কনি হায়রি। মহাকপু এন আই এগী কষ্টদিদা থমখিবগা পন্থদনা এজেন্সী অসিনা মেদিকেল টেষ্ট তৌখ্রে হায়রি।

ঙসি অয়ূক অঙনবদা ফাজিনখ্রবা এন সমরজিৎ কুমজা ২০১৯গী জুলাই ৭তা কোলকটাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি। তশেংনমক মহাক্কী খোঙচৎ অদু মপানগী মরু ওইবা অমসুং মমিং চৎপা লৈবাকশিংদা লৈরিবা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটি ব্রাঞ্চশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা লন্দনদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদগী 'ভারত গৌরভ সনমান' কৌবা মনা অমসু লৌরক্লবগীদমক চৎখিবনি। কোলকটাদা থুংলবা মতুংদা মফম অদুদগী মহাক দুবাইদা চৎখি। মফম অসিদা নুমিৎ খরনি লৈরল্লগা মহাক মথং-মথং চাইনা অমসুং জপান্নচিংবদা চৎলুরগা লন্দনদা হল্লক্তুনা হায়রিবা মনা অসি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা লৌমিন্নখিবনি। মমাঙথক্তসু লন্দনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মঙোন্দা 'মহাত্ম গান্ধী সনমান' কৌবা মনা অমা পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রবনি।

অদুমকপু লন্দনদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অদুগী মতুং মথংগী নুমিৎ ওক্টোবর ৩০, ২০১৯দা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা শুও মোটোদা রিগ্যুলর এফ আই আর কেস অমা লৌখৎলগা এন আই এদা শিন্নরবা মতুংদা চত্থরকখিবা ইনভেষ্টিগেসন লোইশিল্লদুনা ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরদা এজেন্সী অসিগী মায়কৈদগী থা অসিগী ২৩দা চার্জশীট থাগৎলকপগা পন্থদনা মহাক্না লন্দনদগী হল্লকখিবগী চপ চাবা মরমশিং হৌজিকমক্কী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক বৃটিশ গর্ভর্ণমেন্টনা মঙোন্দা পীরম্বা প্রোভিজনেল এসাইলম অদুগী মথক্তা পর্মিনেন্ট এসাইলম পীনবগী প্রোসেস লৌখৎলক্তুনা মসিগীদমক পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ুনচিংবদা শরুক য়ারুরবা মহাক্না য়ুনাইটেদ কিংদমদগী 'ফাইনেল এসাইলম' লৌনবগী চত্থরমখিবা থবক থৌরম পূম্নমক ৱিথদ্রো তৌরম্লগা লৈবাক অসিদা হল্লকখ্রিবা অসিগী মরমশিংগী মনুংদা হৌজিক সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিনা মসিগী দিপোজিটরশিংনা তৌরক্লিবা কমপ্লেন্টশিং মায়োক্লরকপা, মহাক্না লুচিংদুনা লিংখৎচরম্বা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভেলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) বু কন্নিংবা অমসুং য়াম্বেম বিরেনগা মহাক্কগী মায়কৈদগী লৌখিবা ফিরেপ অদুদা আউথেন্টিসিটি পীবিগদবা ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদা থাজদবা অমসুং পেন্দবশিং মায়োক্লরকপদগী মহাক্কী মহৌশাগী পুন্সিদা অমুক হঞ্জিল্লক্লবগীদমক লৌরকপা ফিরেপ ওইগনি থাজনরি।

পনবা য়াবদি, এন আই এনা থা অসিগী ২৩দা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা চার্জশীটতা মহাক্কী মথক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০ (বি), ৪২০ অমসুং অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্ট, ১৯৬৭কী সেক্সন ১৩ অমসুং ১৭কী মখাদা চার্জ তৌরিবনি।

এজেন্সী অসিনা সবমিট তৌরকখিবা চাজ শীট অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুর ৱাইখোম তোনেন মৈতৈনা স্পেসল ত্রাইএল (এন আই এ) কেস নম্বর ২ ওফ ২০২১ লৌখৎখিবনি। লোয়ননা ঙরাং কোর্ট অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসরনা পীখিবা ওর্দর অমদা মহাক অমসুং য়াম্বেম বিরেনবু এবস্কোন্দরনি হায়দুনা মখোয়গী মথক্তা নন বেলেবল এরেষ্ট ৱারেন্টশিং ইস্যু তৌখিবনি। অদুগা এন আই এনা ফাইল তৌরকপা চাজ শীট অসিদা এক্যুইজশিংনি হায়দুনা মরাল শীরক্লিবা মহাক্কী ময়াম্বা নারেংবম বিশ্বাজিৎ, কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দগী এলাংবম ব্রোজেন্দ্রো (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা ঈ ভুবনেশ্বর অমসুং অকোয়জম দিপা আনন্দ (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ কে নন্দলাল ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবগী মথক্তনা সমন নোটিশশিং ইস্যু তৌখিবনি। অকোনবগী সমন ইস্যু তৌখিবা মীওইশিং অসি কেস অসিদগী বেল লৌদুনা লৈরক্লিবনি।

অমরোমদা, নারেংবম সমরজিৎপু এন আই এনা দেল্লী এয়রপোর্টতগী ফারে হায়বগী পাউ ফংবগা পাউচে অসিনা তেরা খোংশাংবী লৈম্রাম লৈরক্তা লৈবা য়াম্বেম বিরেনগী ইমুংগী মীওই অমগা টেলিফোন্দা শানখিবা ৱারীদদি মখোয়গী মায়কৈদগীদি করিগুম্বা ঈ-পাউ অমত্তা তাবা লৈতে, মরী লৈনবা ওথোরিটি অমত্তনসু করিমত্তা হায়রকপা লৈত্রি হায়বগা লোয়ননা মহাক্না ইমুংগী মীওই ওইজরবসু য়াম্বেম বিরেনগদি হকথেংননা টেলিফোন্দা ৱারী-ৱাতাই অমুক্তা শান্নদে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	85.777137
US Dollar	72.594786
British Pound	99.603437
Australian Dollar	55.261374
Chinese Yuan Renminbi	11.104520
Japanese Yen	0.665364
Malaysian Ringgit	17.509949
Singapore Dollar	53.930790
South Korean Won	0.063999
Saudi Arabian Riyal	19.358610
Thai Baht	2.335587

GAS NEWS

PATSOI INDANE
BOOKING UPT0 21/01/2021
VALID FROM 19/01/2021
STOCK 306 DBTL ONLY
TIMING 8.00AM TO 10.00 AM
HOME DELIVERY CONTACT NO. 9383082751 & 8259013598
M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no 50 A&B of 08/03/2021
Valid from 26/02/21
Time 7.30 to 11am
MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO:18/02/2021
VALID FROM : 17/02/2021
STOCK= 270, (19 KG-24)
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.GOBIN-7005913637 (THANGA A/C), 3. NANDA - 9362111646/AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).
BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-25/03/2021
Valid from-08/03/2021
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
JRongmei SK Indane Wangoi
Bking upto 10/1/21
Valid from 9/1/21.
Stk 306
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830).

৪১শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দেগা মরী লৈননা এম এ সীগী চ্যেরমেননা ...

লামায় ১গী মখা... মতমদুগী কংলৈপাক্তা চীফ কম্মিস্নর ওইনা থাজিল্লকখিবা হিম্মট সিংহনা হান্না চৎনরম্বা মীতোপ চঙলকপদা অথিংবা থল্লম্বা পাস সিষ্টম অদু মুখৎতুনা লেপ্পা লৈতনা মীতোপ চঙবা য়াহনখিবদগী ঙসিদি মীতোপকী ঈচাওগী ৱাথোক থোক্লিবনি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়ানা কংলৈপাকপু মখোয়গী ফিবান্নুংদা নমদুনা পুশিনখ্রবা মতুংদা কংলৈপাক অসি মীহৌরোলদগী ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা লাকখিবা লৈবাক ওইনা উহন্নবা অমদি কংলৈপাক্কী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবতকী মতমদগীনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবা নীংতম ঈহৌ অসিবু ইন্দিয়ানা কা হেনবা থবক (এক্সত্রিমিষ্ট) তৌবা মীওই খরগী থবক ওইনা মালেমগী মীয়ামদা উহন্দুনা লাক্লি। মখোয়না য়াওল্লোইশিংবু এক্সত্রিমিষ্ট, টেররিষ্ট হায়না অরানবা মীংথোল কয়া পীশিল্লি অমসুং ইন্দিয়াগী মথক্তা নীংতম লাল হৌবা লৈতে হায়নসু হায়রি। মখোয়গী থৌরাং অসি ওইরোইদবা অমদি মৈবু ফিনা কুপ্তুনা থম্নবা হোৎনবনি। লমদমসিদা হৌজিক চত্থরিবা নীংতম ঈহৌ অসিদি ইন্দিয়াদগী তোখায় তাগে হায়বা নত্তে, মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা লান্মীগী মতিক-ময়াই শীজিন্নরগা মঙম লৈত্রবা নিংথৌবু নোংমৈচিংদোন্দা খূৎয়েক পীহনখিবা দোমেষ্টিক অমসুং ইন্টরনেসনল লোনা য়াদনা নমদুনা লৌখিবা নীংতম্ববু অমুক হঞ্জিনজগে হায়বনি। ইন্দিয়াগী খূৎশেমগী য়ানচে অদু মতমদুদা লৈরম্বা কংলৈ মীয়াম্না মীখল পাঙথোক্লগা শেমখিবা নেসনল লেজিসলেচর অদুনা অয়াবা পীখিদে, রিফরেন্দম নৎত্রগা প্লেবিসাইট অমা তৌদুনা কংলৈ মীয়াম্না অয়াবা পীখিবসু লৈতে। ইন্দিয়ানা থৌনা ফবা, থম্মোয় শেংবা অমদি দেমোক্রেসিদা চেৎনা থাজবা লৈবাক অমা ওইরবদি কংলৈ মীয়াম্না ইন্দিয়াদা পুন্নীংব্রা নৎত্রগা তোখায়না ননীংতম্না লৈজগেরা হায়না মীয়ামগী অপাম্বা খঙদোক্লবা প্লেবিসাইট নৎত্রগা রেফরেন্দম অমা পাঙথোক্লম্বা য়াই। অদুবু ইন্দিয়ানা কংলৈপাকপু হেক লৌশিনখিবদগী ইরৈবাক্কী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা লান্থেং অমা লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবা অসিবু কিজবদগী মালেমদা লৈরিবা মুক্লবশিং লোইশিনবদা ইন্টরনেসনল কম্যুনিতিনা ষ্টেন্দর্দ ওইনা শীজিন্নরিবা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙথাং অসিদি ইন্দিয়ানা ঙসি ফাওবা লৌখৎপা ঙমদনা লৈরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, প্রিপাক্লা ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লিবা নীংতম য়াওল লান্থেং অসি ইন্দিয়া গর্ভর্ণমেন্টতগী ইন্দিপেন্দেন্স দিমান্দ তৌবগী লাঞ্জং নত্তে, ঐখোয়গী পান্দমদি লৈবাক মীয়ামগী মাঙখ্রবা নীংতম্বদু অমুক হন্না হঞ্জিনহন্দুনা চাওখৎপা মান্নবা খুন্নাই অমা লিংবনি। য়াওল লান্থেং অসি মপূং ফানা মায়পাকপা পুরকপা ঙম্নবগীদমক মান্নবা খুন্নাইগী ৱাখল্লোন অসি শাগোন্নদুনা চৎকনি, মসিগা ইরোয়ননা ৱেসিয়া লমদমগী মীয়াম পূম্নমক অমত্তা ওইনা পূন্দুনা য়েক্লবা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লান্থেংমিন্নদুনা নীংতম্বা হঞ্জিনবা ঙমগনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী থম্মোয়দা চেৎনা থাজদুনা লানজংমিন্নগদবনি।

অমরোমদা, মমাঙদা লৈরম্বা ইন্দিয়াগী লৈঙাকপশিংনা তৌরম্বগুম হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী লুচিংবশিংনসু লমদমসিগী নীংতম ঈহৌ তৌরিবা য়াওল্লোইশিংদা চাওখৎপা অমদি ঈং-তপ্পা পুরক্লবগীদমক ভাইওলেন্স থাদোকউ, ঈং-তপ্পগী (পিছ টোক) ৱারী তৌসি হায়রি। ইন্দিয়াগী থৌওং অসিদা য়াম্না নোক্লিংলিবদি মখোয়না ঈং-তপ্পা (পিছ) য়াম্না পাম্বা, অদুগা কংলৈ মীয়াম্বুনা ঈং-তপ্পগী মায়োক্তা লৈদুনা মীহাৎ মীপূন অমদি ঈ-নাই তাবদা য়াম্না খোইদাজবা ফুরুপ ওইনা মালেমগী মীয়ামদা উহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরিবা অসিনি। পূম্নমক অসিগী হৌরকফমদি ইন্দিয়া অমসুং কংলৈপাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা লৈঙাকলোনগী মুক্লবা (পোলিটিকেল কনফ্লিক্ট) অসিনি, মুক্লবা অসি কংলৈপাকপু ইন্দিয়ানা নমদনা লৌশিনখিবদগী ওইহল্লকপনি, লৈঙাকলোনগী মুক্লবা অসিদি ইন্দিয়া হন্দোকখিবা নুমিত্তা অদুম লোইরবনি। কংলৈ মীয়ামদি মরৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাকপু ইরমদমগী লৈমায়দগী তকথোক্লবা হোৎনবনি। মসিদা ইন্দিয়ানা খঙগদবদি কংলৈ মীয়াম্না ইন্দিয়াগী লমগী শরুক শম্না মফে অমা ফাওবা পাম্বা লৈতে। ইন্দিয়াগী মখূত্তগী কংলৈপাক্কী নীংতম্বা কন্নবা হোৎনবা খক্তনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, কংলৈ-ইন্দিয়াগী মুক্লবা অসি ইন্দিয়াগী মফম অমত্তদা থোক্তুগা কংলৈপাক্কী লৈমায়খক্তদা থোক্লিবা অসিনা মুক্লবা অসি কংলৈপাকপু ইন্দিয়ানা লৌশিল্লুবদগী থোরকপনি হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি। ইন্দিয়াগী মথক্তা নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগী ঈহৌ নৎত্রগা মখোয়গী মথক্তা লাল হৌবা লৈতে হায়না ইন্দিয়ানা মালেমগী মীয়ামদা হায়জরবসু অনলোফুল এক্টিভিটিস প্রিভেন্সন এক্ট, ১৯৬৭কী মখাদা ৱেসিয়া লমদমগী নীংতম য়াওল্লুপশিংবু আউটলো ওর্গনাইজেসননি হায়না লাউথোক্লি, ইন্দিয়ানা মথম্মোয় শেংলবদি মালেমগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা ৱেসিয়া লমদমদা নীংতম ঈহৌ লৈ হায়গদবনি। ইন্দিয়ানা লমদমসিগী য়াওল্লোইশিংবু টেররিষ্ট, এক্সত্রিমিষ্টনি হায়জরবসু য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কম্মিটিনা লমদমসিদা লৈতাদ্রিবা অসিদি পোলিটিকেল ওইবা মওংদা শন্তাইনবা হায়খিবা অদুনা লমদমসিদা হৌরিবা নীংতম য়াওল ঈহৌ অসি মালেমগী ৱায়েল কাঙলোন্না য়াবা ঈহৌনি হায়বদু হেন্না হেন্না ময়েক শেংহল্লি। মালেম পূম্বগী মীওইবগী রাইট ওইরিবা মরোমদোম লেপচবা হায়বসি য়ু এন চার্টরগী মনুংদা অদুম য়াওজরিবনি। য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিগী দিক্লারেসন অমসুং ইন্টরনেসনল লোনা মীওইবগী মরোমদোম লেপচনবগী রাইটপু নৈননবা অমসুং মদুবু য়াবা চৎন-পথাপ কয়া পীরি। অদুবু ঙসি মশানা মশাবু চাওখৎলে হায়জরিবা ইন্দিয়ানা ইন্টরনেসনল লো অসিবু ঙাক্লা চত্তে। মীওইবা খুদিংমক্লা ফংফম থোকপা মরোমদোম লেপচদুনা লৈঙাকচবগী রাইট অদু কংলৈ মীয়ামগী খূত্তা লেংদনা লৈরি। হৌজিক হৌজিক কংলৈ মীয়াম পূম্বগী মাঙদা তারিবদি ঐখোয় পূন্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা মরোমদোম লেপ্পগী রাইট ফংননবা ইন্দিয়াগী মথক্তা মখল কয়াগী (সোফ্ট পৱার এন্দ হার্দ পৱার) লান্থেং চঙশিন্দুনা য়ু এনগী থোঙ থিন্দুনা কংলৈ ফুরুপকী ফংফম থোকপা নীংতম্বগী রাইট মশক তাকপনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিং মীখা পোন্না হিংবা হৈনরক্তে, মদুমক্তনা পিক্লবসু পিক্লা কংলৈপাক্লা শাংলবা চহীচা কয়া নোংচুপ থংবা খা নোংপোক এসিয়াদা মঙাল নাইনা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইদুনা লাকখিবনি হায়রদুনা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মীওইপোক্কী পাম্মুরবা থৱায়সিগা ইরৈবাক্কী নীংতম্বগা ওন্নবা হায়বসি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা ঐখোয়গীদমক তম্বীরম্বা ফীদমনি। ফীদম অসি ঙাক্লা ঙসিসু প্রিপাক অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মি (আর এ) না শাগোন্নদুনা চৎলি। মসিমক্লা য়েক্লবনা পীরকপা খুরৌ অমদি খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লরবসু ঙসি ফাওবা নীংতম ঈহৌ অসিগী ইচেলদি মরক থৎপা ঙমদনা ঈচেল নাইনা চেন্থরি। থৱায় থারবসু ইরৈবাকপুদি কল্লমদবা য়াদে, ঐখোয়গী হাক্তক্তা ইরৈবাক্কী নীংতম্বা পুরকপা ঙমদ্রবসু তুংগী মীরোলদি মখা তানা মীখা পোলহৌবা য়াদে, ঐখোয়না চুখৎলম্লবা নীংতম মৈরি অসিনা তুংগী মীরোলবু শুংশোয় শোয়দনা নীংতমহল্লগনি হায়বা অৱাংবা ফীদমগী পাউজেল রেদ আর্মিশিংনা হৌরক্লিবা ইরৈবাকচা খুদিংদা পীরি। অৱাংবা ফীদমগী পাউজেল অসিনা নীংতম লাল অসিগী অতৎ-অখম লৈত্রবা ঈচেল অমসুং কংবা নাইদ্রবা ইফুৎ ওইরি। রেদ আর্মিগী মশাদগী শিন্থখিবা অঙাংবা ঈরিক অমমমনা ইরৈবাক্কী নীংতম লালগী পুৱারী ওইরি, লোয়ননা ইরৈবাক্কী ফুরুপচা পূম্নমক্কী অপূনবা পুৱারী অসিসু ইরিবনি। মসিনা ঐখোয় কংলৈচাশিং মীখা পোন্না হিংলক্তে, হৌজিকসু মীখা পোন্না হিংলোই হায়বগী পাউজেল অমা কংলৈ মীয়ামদতা নত্তনা মালেমগী নীংতম্বা মৎপীরবা মীয়াম অমদি লোইলম শন্দোকপশিংদা পীরি। আর এগী মপাল নাইদ্রবা কথোকপগী লংলবা মঙাল অদুনা ঐখোয়গী তুংলমচৎকী নীংতম লম্বী তাকপীরি।

কংলৈ মীয়ামগী ফংফম থোকপা ইরৈবাক্কী নীংতম্বা হঞ্জিনবগী রাইট অসি ফংনবা চত্থরিবা কংলৈ ফুরুপকী নীংতম লাল অসিদা রেদ আর্মি (আর এ) না লৌরিবা থৌদাং শিংথানীংঙাইনি। ইন্দিয়ন ফোর্সকা থেংনবা লানফম কয়াদা মখোয়না থৌনা ফনা ইরৈবাক্কীদমক লান্থেংনখিবা অমদি কথোকপগা লোয়ননা য়েক্লবগা মায়োক্লখিবা কয়া অদুগীদমক চাওথোকচৈ। আর এশিংনা ইচং থৌনা অমদি থৌনা লৈনা নীংতম য়াওল লান্থেং চত্থদুনা ইন্দিয়ন ফোর্সকা অফোংবা অমদি অরোনবা লান্দা চত্থবা লেপত্রিমখে ঐখোয়গী মাঙখ্রবা নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগী অমদি নীংতম য়াওল ঈহৌগী পান্দম ফংনবগী পুংজা অদু নকশিল্লক্লবনি হায়বসি আর এনশিংনা মতম চূপ্পদা থম্মোয়দা থম্বীয়ু। মসিনা ইরৈবাক্কী মাঙখ্রবা নীংতম্বা অমুক হঞ্জিনবা ঙমগনি হায়নসু লোনা অথিংবা থমখ্রবা প্রিপাক্কী মিলিটরি এফেয়রস কম্মিটি (রেদ আর্মি) গী চ্যেরমেন কে ঐচ শাথীনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

বসন্তওটসবকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস):

হাওবম মরক থিঙেল ঙাঙোম লৈকায়দা লৈবা শৈদমকোল (স্কুল ওফ নত সঙ্কীতনা) শিন্দুনা ফেষ্টিভেল ওফ হোলি সঙ্কীতনা ২০২০গী মনুংচন্না বসন্তওটসব পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সোসল এক্টিভিষ্ট এন্দ স্পোর্টস পর্সনেলিটি সাপম নিশিকান্তা, প্লেরাইট এন্দ ষ্টেট একাদেমি এৱার্দি পিঐচ গুনচন্দ্র অমদি সীনিয়র এন এস দিয়ন এন্দ ষ্টেট এৱার্দি ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রোনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, স্পেসিয়ল অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা সাপম নিশিকান্তানা ফোঙদোকখিবদা ফেষ্টিভেল ওফ কলচর অমনি হায়নরিবা য়াওশঙ (হোলি) হায়বসি য়াম্না শেঙলবা কুম্মৈ অমনি। মীওইবগী পুন্সিদা কলচর য়াওদনা হিংবা ঙল্লোই। মরম অদুনা অসিগুম্বা শেংলবা কুম্মৈ অসি মীপুম খুদিংমক্না য়োকখৎপা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টগী ৱারোল পীরদুনা ষ্টেট এৱার্দি ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রোনা হায়খি, ভৈশনব ধর্ম্মগী ফজরবা বসন্ত কুম্মৈ য়াওশঙ কুম্মৈগা মরি লৈনবা থৌরম অসি মতম অমগা য়েংনরুবদা নোংম-নোংমগী অসুমক মাঙশিল্লক্লি। মরম অদুনা অসিগুম্বা মাঙশিল্লক্লবা ফজরবা কুম্মৈ অসি য়োকখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থিয়টর সেন্টর মণিপুরগী প্রসিদেন্ট পদ্মশ্রি এৱার্দি ৱারেপ্পা নবা অমদি শৈদমকোল (স্কুল ওফ নত সঙ্কীতনা) গী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি। ঙসি পাঙথোকখিবা বসন্তওটসৱকী থৌরম অদুদা সংস্থান ৪না শরুক য়াখি।

মণিপুরদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা...

*লামায় ১গী মখা...*হোস্পিটালদা ২ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৩ থেংনখিবনি। মীওইশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ২, ইম্ফাল ইষ্টতগী ২ অমসুং বিষ্ণুপুরদগী ১নি। মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কেস মশীংনা ২৯,৩৬৭ শুরে। লায়না লাইচৎ অসিদগী ফ্গাৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ২৮,৯৩৬ য়ৌরে। ফ্গাৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৫৩নি। অদুগা কেস ৫৬না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৪৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৯ য়াওরি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা লৈখিদবগী রিপোর্ট অমত্তা লৈতে। হৌখিবা মার্চ ২৩দা দেল্লীদগী ইম্ফালদা পাইরকখিবা ইন্দিগো ফ্লাসট ৬ঈ-২০১৯গী রো ১-৯, ১৫-২১ অমসুং ইন্দিগো ফ্লাইট ৬ ঈ - ৬২৪১গী রো ৯-১৫দা তোংদুনা ষ্টেট অসিদা লাকখিবা মীওইশিংনা কম্মন কোভিদ কন্ট্রোল রুম নৎত্রগা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসরশিংদা পাউ ফাওরক্লবসু চেরোল অদুনা খঙহল্লক্লি।

স্কুল সিলেবসতা দ্রগ শীজিন্নবা...

*লামায় ১গী মখা...*ওফ পোলিটিকেল সাইন্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর এম দি রফিজুদ্দিন শাহনা রিছোর্স পর্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি।

মীয়ামগী কনভেন্সন অদুগা মরী লৈননা এম এস এফকী দ্রগ এফেয়রস সেক্রেটরি ওইনাম প্রেমদাস খুমননা হায়খি, লমদম অসিদা লৈরিবা সী এস ওশিং, এন জি ওশিং অমদি অখঙ অহৈ কয়ানা শরুক য়াদুনা ঙসিগী কনভেন্সন অসি পাঙথোকপনি। ময়াই কাবা দ্রগকী ঈপাক্তগী হৌরক্লিবা নহাশিংবু কলহৌননবা মখোয়গী মেন্টালিটি, সাইকোলোজি অমদি মোরেল বিহেবিয়রশিং অসি করম্না মেক-অপ তৌবা য়াবগে হায়বদু কূপ্না য়েংলকপা মতমদা তোঙান তোঙানবা এন জি ওশিং অমদি সী এস ওশিংনসু প্রোগ্রাম কয়া চত্থরি। এম এস এফনা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংগা খূৎশম্নরগা হৌরক্লিবা নহাশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসি হন্থহন্নবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফিশরি লোইশঙগী রিক্রুটমেন্ট ...

লামায় ১গী মখা... মেনেজরগীদমক বি এস সী (জুলোজি) ওইবগা লোয়ননা চহী অমগী দিপ্লোমা কোর্স পাস তৌরকপা ওইগদবনি খক্তং হায়রগা কোর্স অসি 'ফিশরি সাইন্স' তা ওইগদবনি হায়বা ৱাফম অসি কাম্থোক্লগা লান্না থোকচিল্লকখিবনি হায়রি।

থৌওং অসি লোইশঙ অসিগী রিক্রুটমেন্ট রুলদা য়াওরিবা চৎন-লোনচৎশিংগী ৱাংমদনি হায়দুনা মসিবু চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি। লোয়ননা কোর্টনা নাকল অনীমক্কী কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা পীখিবা ওর্দরদা মার্চ ১০, ২০২১দা থোকখিবা রিক্রুটমেন্ট নোটিফিকেসন অদুগী মনুংদা য়াওরিবা ফিশরি দেমোন্সত্রেটর অমসুং ফিশ ফার্ম মেনেজরগী ওইনা লৌথোরক্লিবা 'ইন ফিশরি সাইন্স' হায়বা থৌওং অসি অরানবনি হায়বগা লোয়ননা মসিবু চুমথোক্লবা করিজেন্দম অমা থোক্কদবনি হায়খি।

লোয়ননা পোষ্ট অনী অসিগীদমক তঙাইফদনা চঙলিবা ক্বালিফিকেসন অসি য়াওরক্তবা এপ্লিকান্টশিং ফম অনী অসিগীদমক পাঙথোক্কদবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসতা য়াওহনবা য়ারোই হায়বসিনি।

পনবা য়াবদি, সিভিল রিট পিটিসন অসি ৱাঙ্খে লৌরেম্বম লৈরক্তগী নহাকপম সুরজোবলা (২৭) অপোকপা এন শ্যামকহ্নাই, ইম্ফালগী ৱাহেংবম লৈকায়দগী রাজকুমার দেবরজিৎ (২৫) অপোকপা আর কে দোরেন্দ্রো, টোপ মখা লৈকায়দগী কলপনা অরাম্বম (২৬) অপোকপা এ লুখোই, উৎলৌ ময়ায় লৈকায়দগী লাইশ্রম সোনিয়া (২৫) অপোকপা এল বিরচন্দ্র, ৱাঙ্খে লৌরেম্বম লৈরক্তগী নহাকপম সুন্দিপ (২৬) অপোকপা এন শ্যামকহ্নাই অমসুং ইরেংবন্দ ময়ায় লৈকায়দগী সঞ্জেনবম বিদ্যাসাগর (২৭) অপোকপা এস মোহেন্দ্রনা পিটিস্নরশিং ওইনা ফাইল তৌরকখিবনি। মখোয়না রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লকখিবশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (ফিশরিজ) অমসুং দাইরেক্টোরেট ওফ ফিশরিজগী দাইরেক্টরনি।